## হুগী গ্যাস থেংনবদগী লান্মী অহুম শিরে

পেরিস, জুলাই ১৮(এজেন্সি):
ফ্রেঞ্চ গয়ানাদা লোনা য়াদবা মওংদা গোল্ড মাইনিং চথুরিবা মীওইশিং টার্গেট তৌদুনা পাঙথোকপা ওপরেসন অমদা হুগী মশক ওইরবা গ্যাস থেংনবদগী ফ্রেঞ্চ লান্মী অহুম শিরে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মাইনরশিংনা শীজিন্নবা অন্দরগ্রাউন্দ ফেসিলিটিশিং থুগায়নবা লান্মীশিং অদুনা এক্সপ্লোসিভ চার্জশিং থম্নবা হোৎনরুবদা খঙহৌদনা হুগী মশক ওইরবা গ্যাস থোক্লকপদগী লান্মী ৮ শোকখিবগী মনুংদা অহুম শিখিবনি হায়রি।

## হান্নগী পাক প্রাইম মিনিষ্টর ফারে

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৮(এজেন্সি):
পাকিস্থানগী এন্টি-করপসন এজেন্সিনা শগোলশেল নুমিত্তা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খাকন অব্বাসি ফারে হায়না নেসনল একাউন্টেবিলিটি বোর্দ (এন এ বি)গী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

## এনিমেসন ষ্টুদিও অমা অতম্ননা মৈ থাবদা মীওই ৩০ শিরে



টোকিয়ো, জুলাই ১৮ (এজেন্সি):
চহী ২০ লোমগী মনুংদা জপান্দা থোকপা মী পাক্তক্লনা হাৎপগী থৌদোক অমদা নুপা অমনা শগোলশেল নুমিত্তা পেট্রোল হৈজিন্দুনা এনিমিনেসন ষ্টুদিও অমা থাখিবগী থৌদোক্তা মীওই ৩০ শিরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নুপা অদুনা মচিন্দা 'শিরো নখোয়' হায়না লাউদুনা ষ্টুদিও অদুগী মফম কয়াদা পেট্রোল হৈজিন্দুনা বিল্ডিংদু মৈ থাখিবনি হায়রি। ক্রাইমগী থৌদোকশিং থোকপগী চাং নেম্মি হায়নরিবা লৈবাক অমগী খ্বাইদগী নৌবা হঙ্গোইনিংঙাই ওইবা পাক্তক্লনা মী হাৎপগী থৌদোক অমনা ওইরিবা ক্যোটো সিটিগী এনিমিনেসন ষ্টুদিও বিল্ডিং মৈ চাকপগী থৌদোক অদুবু অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংশিংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল থাখি।

লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ১০ গী মতুং ঙাইহাক্তং কান্নরগা মথোল অহুম ৱাংবা ক্যোটো এনিমিনেসন বিল্ডিং অদুগী মফম কয়াদা পেট্রোল হৈজিনবগা লোয়ননা মচিন্দা নখোয় শিরো হায়না লাউখিবা মশাগী চহী ৪১ শুরবা নুপা অমা পুলিসনা ফারে হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখি।

বিল্ডিং মৈ চাকপা অদুদা মীওই ২০ শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌরে অদুগা মীওই ১০ রোম্না হিংলি হায়বগী মরু ওইবা খুদম চাংদমশিং মখা তানা মশাদা উবা ফংদ্রে হায়না ক্যোটো সিটি ফায়র দিপার্টমেন্টগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

টেলিভিজন ফুটেজনা বিল্ডিং অদুগী মৈনা চাকখ্রবা থোঙনাওশিংদগী অঙৌবা অমসুং অমুবা মচুগী মৈখু মপৈশিং কাখৎপগী শক্তমশিং উৎখি। থৌদোক অসি কুমজা ২০০১ দা টোকিয়োদা লৈবা বিল্ডিং অমা মীওই অমনা মৈ থাখিবগী থৌদোক মতুংদা থোরক্লিবা জপানগী খ্বাইদগী শাথিবা পাক্তক্লনা মী হাৎপগী থৌদোক্লি হায়না লৌনরি।

মশাদা হিংবগী মরু ওইবা সাইনশিং উবা ফংদ্রবা মীওই ১০ দুগী মনুংদা খরা অমনা অহুমশুবা ফ্লোরদা লৈরম্বনি অমসুং অতৈনা য়ুমথক কাবগী ষ্টেয়র অমদা লৈরম্বনি লোয়ননা অরুবা ফিভমদা মীওই ৩৬ অমসু অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসল অমনা মখা তাখি।

বিল্ডিং অদুবু মৈ থাখিবা মীশক্লি হায়না চিংনরিবা মীওই অদুসু মৈ চাকপদুদা অশোক-অপন নংখিবগা লোয়ননা হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নরি। মহাক্কী অশোকপা ফিভম অদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মঙোন্দা ৱাহং পাউহং চথুদ্রি হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখ্রে।

## ইদলিব কেম্প্যেন্দা মোস্কোনা স্পেসল ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌই : রেবেলশিং



অম্মান, জুলাই ১৮ (এজেন্সি):
সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা ওপোজিসনগী লানবন খুদুম চন্নবগী পান্দমদা থা অনী হেন্না অকনবা লাঞ্জং চঙশিল্লক্লিবা সিরিয়ন আর্মি ট্রুপশিংগী মায়কৈদা লান য়াওনবগীদমক রসিয়ানা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিনা স্পেসল ফোর্সশিং থাজিল্লকখি হায়না রেবেলশিংগী সিনিয়র কম্মান্দরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

রেবেল কম্মান্দরশিং অদুনা হায়খি মদুদি, রসিয়ন ওফিসরশিং অমসুং ট্রুপশিং মমাংদা স্নাইপরশিং অমসুং এন্টি-টেঙ্ক মিসাইলশিং শীজিন্নখিবা ওপরেসন কয়া ফ্রন্ট লাইনশিংদা চথুবদা চেন্নখ্রবসু মোস্কোনা হৌখিবা এপ্রিলগী অরোয়বা শরুক্তগী হৌখিবা কেম্প্যেন অদুদা লানফমদা গ্রাউন্দ ট্রুপশিং থাবদি হন্দক্কীসিনা অহানবনি। রসিয়ন স্পেসল ফোর্সশিং অসি হৌজিক লানফমদা লৈরে। অসুম্না রসিয়নশিংনা হৌজিক লান অদুদা হকথেংননা খুৎ থারক্লি হায়না টর্কিনা শৌগৎপা নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (এন এল এফ) হায়না খঙনবা রেবেল ফেক্সনশিংগী কোলিসন অমগী স্পোক্সমেন কেপ্টেন নাজি মুষ্টাফানা ফোঙদোকখি।রসিয়ন গ্রাউন্দ ফোর্সশিং অদু হুমেমট হীলতোপশিং খুদুম চন্নবগীদমক্তা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা লোয়ননা লানফমদুদা চঙশিল্লক্লিবনি।

## দিল য়াওদবা ব্রেক্সিট থিংনবগী থৌরাং অমা ওইনা বৃটেনগী লোমেকরশিংনা ভোট লৌনরগনি



লন্দন, জুলাই ১৮ (এজেন্সি):
বৃটেনগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টরনা দিল য়াওদবা ব্রেক্সিট নমদুনা য়াহন্নবা পার্লিয়ামেন্ট সপেন্সন্দা থম্নবা হোৎনবগী থবক ইরাই লায়না পাঙথোকপা য়াদনবগী থৌরাং অমা বৃটিশ লোমেকরশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা অমা ভোট লৌনরগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেগী মহুৎ শীনগদৌরিবা তোরি লিদরনি হায়না লৌনরিবা বোরিস জোন্সন্না মমাংদা বৃটেন্না দিল অমা য়াওরবসু য়াওদ্রবসু ওক্তোবর ৩১দা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী এগজিট প্লান অদুবু লোমেকরশিংনা থিংবা ঙমহন্দনবগীদমক পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন তৌবগী ফিভমসু লাকপা য়াই হায়খিবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা ভোট লৌনগদৌরিবা থৌরাং অদুদা পার্লিয়ামেন্টবু হকথেংননা সস্পেন্দ তৌবা থিংগনি হায়বা ৱাফম য়াওদ্রবসু লোমেকরশিংনা করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্দ তৌরবসু নুমিৎ কয়ানিরোম চুপ্না সেসন লৈহনগদবা অনৌবা প্রপোজল অমা পুথোরকখিবনি। বি বি সীগী রিপোর্টনা হায়রি মদুদি, করিগুম্বা জোন্সন্না মায় পাকপা মতমদা দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী ফিভমদা য়ানিংদবা উৎখিবগীদমক মফম তাবগী ফিভম মায়োক্লরিবা খরা য়াওনা সিনিয়র মিনিষ্টর খরনা প্রপোজল অদু শৌগৎনবগীদমক্তা মফম থাদোকপগী ৱাফম খন্নরি।

লৈবাক্কী লুরবা তানফম অমা পার্লিয়ামেন্টপু সস্পেন্দ তৌদুনা লোমেকরশিংবু অপাম্বা ফোঙদোক্ল বগী খুদোংচাবা লৈহন্দবগী ফিভম অমা লাকহনবা হায়বসি লৈবাক অসিগী ওইনা অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা খোঙথাং ওইগনি হায়না জষ্টিস দেভিদ গৌকেনা বি বি সী রেদিওদা ফোঙদোকখি।

থৌরাং অদু পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর চেম্বর হাউস ওফ লোর্দসনা মমাংদা অয়াবা পীখ্রবনি।

## কর্দিস রিজন্দা টর্কিস দিপ্লোমেট ১ য়াওনা মীওই ২ কাপ্তুনা হাৎখ্রে

সুলাইমানিয়া, জুলাই ১৮ (এজেন্সি):
ইরাক্কী অৱাং থংবা কর্দিস লমদমগী কেপিটেলদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টর্কিস দিপ্লোমেট অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই অনী নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না লোকেল সিক্যুরিটি ওফিসলশিং অমসুং টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।



টর্কিস দিপ্লোমেটশিংনা দিনর চারিবা ঈর্বিলগী রেষ্টোরেন্ট অমদা খুৎলায় পায়বা মীওই অমনা নোংমৈ কাপশিল্লবা মতুংদা মহাক্না লোয়নরকখিবা মীওই অমগা লোয়ননা কার তোংদুনা মফম অদুদগী চেনখি হায়না কর্দিস সিক্যুরিটি ওফিসল অনী অমসুং ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি।

মশক খঙদবা এটেক্করশিং অদুবু থিবগী থবক সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হৌখিবগা লোয়ননা এটেক অদু খুদক্কী ওইনা মীওই অমত্তনা নৎত্রগা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে হায়রি। ইরাক্কী অৱাং থংবা শরুক্তা বেজ তৌবা কর্দিস সপরেটিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা টর্কিনা অনৌবা মিলিটরি লাঞ্জং অমা হৌখিবা মতুং চয়োল খরা কান্নরগা চথরক্লিবা এটেক অদুবু টর্কি, বাঘদাদতা লৈবা ইরাক্কী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমদি ঈর্বিলদা লৈবা কর্দিস ওথোরিটিশিংনা কন্দেম তৌখি।

ইরাক্তা লৈবা অঙ্কারাগী মরু ওইবা য়েক্লবদি পি কে কে গ্রুপনি হায়না লৌনরিবনি। টর্কিগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা গ্রুপ অসিনা চহী কয়া লিশাং শিংনা চথরকখিবা লালহৌদা ঈর্বিলগী অৱাংদা লৈবা চীংগী বোর্দর লমদম অদুদা গ্রুপ অসিনা ফাইটর কয়া থমদুনা টর্কিস লান্মীশিং শিংনরিবনি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা টর্কিস মিলিটরি কেম্প অমদা থোমজিনখিবগী থৌদোক য়াওনা নোরদর্ন ইরাক্তা থোক্লিবা টর্কিগা মরী লৈনবা অতে থৌদোকশিংগী মতাংদা পি পি কে চেন্নৈ হায়না টর্কি অমদি ঈর্বিলদা লৈরিবা রুলিং কর্দিস পার্টি কে দি পিনা মরাল শীখ্রবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হাৎখিবশিং অদুগী মনুংদা অমদি সেমি-ওটোনোমস ইরাকি কর্দিষ্টান্দা লৈবা লৈবাক অসিগী কোন্সুলেটতা থবক তৌবা দিপ্লোমেট অমা য়াওখি হায়না টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে। মমাংদা কর্দিস ওফিসলশিং অমদি ইরাকি ষ্টেট টেলিভিজন্না মীওই অহুম হাৎখ্রে অমসুং মখোয় লোইনমক টর্কিস দিপ্লোমেটশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## আই এন এফ মিসাইল ট্রিটি কন্নবা রসিয়াদা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, জুলাই ১৮ (এজেন্সি):
রসিয়াগা য়ানখিবা মরু ওইবা মিসাইল ট্রিটি অমা কন্নবগী মতম লৈশিল্লক্ত্রে হায়না নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টবগনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা রসিয়ানা ওগষ্ট ২ গী দেদলাইন মনুংদা দিল অসিবু মপুং ফানা ঙাক্তবা তারবদি নাটোগী মায়কৈদগী মশা ঙাকথোকচনবগী থৌরাং অমা পায়খৎলগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। বি বি সীদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্লা হায়খি মদুদি, রসিয়াগী অহেনবা মিসাইল কয়া লৈরবা মালেম অমগীদমক্তা নাটোনা শেম শাবগী ফিভম অমা মায়োক্লরক্লি।

কুমজা ১৯৮৭ তা য়ু এস অমসুং য়ু এস এস আরনা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট অদুনা সোর্ট অমসুং মিদিয়ম-রেঞ্জগী মিসাইলশিং অথিংবা থল্লিবনি। রসিয়াবু ইন্টরমিদিয়েট-রেঞ্জ ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস (আই এন এফ) ট্রিটিগী টার্মশিং থুগায় হায়না মরাল শীরদুনা য়ু এসনা ট্রিটি অসিগী মখাদা তৌফম থোকপশিং মখা তাবা তৌবা লেপ্পগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা, রসিয়ানা ট্রম্পকী ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইকুই কুইদনা ট্রিটি অদুগী টার্মশিং ইন্দনবা ৱারেপ লৌদুনা অনৌবা খুৎলায় সিষ্টেম কয়া পুথোকপগী থৌরাংশিং লাউথোকখি। বি বি সীগী ইন্টরভিয়ু অমদা ষ্টোল্টবর্গনা হায়খি মদুদি, ট্রিটি অদুবু ময়েক শেংনা খোঙ্গাওনরিবা রসিয়ন মিসাইলশিং অদু ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং পুবা ঙম্মী, মফম অমদগী অমদা ইরাই লায়না থাংদোক-থাংজিন য়াই, দিটেক্ট তৌবদা ৱানা থোকই অমদি মিনিট খরখক্কী মনুংদা য়ুরোপকী সিটিশিং য়ৌবা ঙম্মী। অসিগুম্বা ফিভম অসি অরুবা অমনি। চহী লীশাং শিংনা আই এন এফ ট্রিটিনা খুৎলায় কন্ট্রোল তৌদুনা লাকখিবদু হৌজিক্তি ট্রিটি অসি থুমচিনখিবা য়ানা লৈরে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

রসিয়াবু ট্রিটি অদুগী টার্মশিং ঙাকহন্নবা কন্না হোৎনবা কয়া লৈরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈবাক অসিনা ট্রিটি অসিবু ঙাক্লিংবগী ইঙ্গিৎ পীরকপা লৈত্রি। মরম অদুনা হৌজিক্তি আই এন এফ ট্রিটি য়াওদনা রসিয়াগী অহেনবা মিসাইলশিং লৈরবা মালেম অমগীদমক্তা ঐখোয়না শেম শাবা তাই হায়না ইন্টরভিয়ু অদুদা নাটো চীফ অসিনা ফোঙদোকখি।

নাটোনা য়ুরোপ্তা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ য়াওবা মিসাইলশিং কংফালদা দিপ্লোই তৌবগী থৌরাং লৈত্রবসু করিগুম্বা রসিয়ানা ওগষ্ট ২ ফাওবগী মনুংদা ট্রিটি অসিগী টার্মশিং ঙাকউ য়াদ্রবদি তঙাইফদনা এলাইয়ন্স অসিনা মশা ঙাকথোকচনবগী ওইবা থৌরাং অমা পায়খৎলগনি হায়না ষ্টোল্টনবর্গনা মখা তাখি।

অঙ্কারানা হৌখিবা মতম খরা অসিদা মোস্কোগা নকশিন্নরকপদগী ওইরক্লিবা নাটোগী মরু ওইবা মীচং লৈবাক অনীগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা এলাইয়ন্স অসিনা হোৎনরকখিবনি।

## এফ-৩৫ ফাইটর জেট প্রোগ্রামদা টর্কি য়াওহন্দনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ১৮ (এজেন্সি):
এফ-৩৫ ফাইটর জেট প্রোগ্রামদগী টর্কি লৌথোক্লগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। মতম শাংনা কিহন্দুনা লাকখিবা খোঙথাং অসি হৌখিবা চয়োলদা অঙ্কারানা রসিয়ানা শাবা এদভান্স মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা লৌশিনবা হৌখিবা মতুংদা ৱাশিংটন্না লৌখৎলক্লিবনি।

এস-৪০০ এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিং অদুগী অহানবা শরুকশিং ইরাই নুমিত্তা টর্কিস কেপিটেল অঙ্কারাগী অৱাং নোংচুপথংবদা লৈবা মুর্টেদ মিলিটরি এয়র বেজদা রসিয়ন কার্গো প্লেন অমদা পুরকখিবনি। খোঙথাং অদুগা লোয়ননা ৱাশিংটন্না থা কয়ামুক থিংনবা হোৎনরকখিবা খুৎলায় লৈনা-য়োন্নবগী দিল অদু নাটোগী মীচং অমা ওইরিবা রসিয়াগা সিল তৌনখি।



টর্কিবু প্রোগ্রাম অসিদা য়াওবা লেপহন্নবা অমদি প্রোগ্রাম অসিদগী হৌনবি মতুং ইন্না লৌথোক্লবগী প্রোসেস হৌনবগী ৱারেপ অসি য়ু এস অমসুং অতে এফ-৩৫ কী পার্টনরশিংনা পুন্না লৌমিন্নখিবনি হায়না এক্বিজিসন এন্দ সষ্টেনমেন্টগা মরী লৈনবা দিফেন্সকী অন্দর সেক্রেটরি ঈল্লেন লোর্দনা ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা খোঙথাং অদু ফজদে হায়রদুনা মদুনা লৈবাক অনীগী মরীদা শোকহনবা য়াই হায়খ্রে। এদভান্স ফাইটর জেট অদুগী সপ্লাই চেন্দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু নন-রিকরিং এঞ্জিনিয়রিং চান্দিং ওইনা দোলর মিলিয়ন ৫০০ দগী দোলর মিলিয়ন ৬০০ ফাওবা তিংহনগদৌরিবা থৌরাং অদুদা অঙ্কারাগী খোঙথাং অদুনা মরম ওইনা টর্কিবু য়াওহন্দনবা ৱারেপ লৌরকপনি হায়না লোর্দনা ফোঙদোকখি।

এফ-৩৫ এয়রক্রাফটকী পার্ট ৯০০ হেন্না টর্কিনা শাই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ু এস ওফিসল অসিনা হায়খি মদুদি, টর্কিস সপ্লাইয়রশিং লৌথোকখ্রবা মতুংদা সপ্লাই চেনগী থবকশিং হৌজিক্তি টর্কিস ফেসিলিটিশিংদগী য়ু এস ফেক্টরিশিংদা ওইনা হোংলক্লগনি। রসিয়ন খুৎলায় লৈবগী দিল অদুনা মরম ওইদুনা টর্কিগী থবক কয়া মাংবগা লোয়ননা মতুং তাবা শেল-থুমগী থবক থৌরমগী খুদোংচাবা কয়াসু লৈবাক অসিনা ফংলরোই হায়না পল্লদুনা এল্লেন লোর্দনা হায়খি মদুদি, এফ-৩৫কী ওইবা এয়রক্রাফট অসিনা লৈরিবা মতম চুপ্পগী ওইগদবা দোলর বিলিয়ন ৯ হেনগদবা হান্না লেপ্পখিবা টর্কিগী থবক্কী সেয়র লৈবাক অসিনা হৌজিক্তি ফংলরোই। য়ু এসগী খুৎলায় পুক্কৈদা খ্বাইদগী এদভান্স ওইরবা এয়রক্রাফট ওইরিবা এফ-৩৫ ষ্টেল্থ ফাইটর জেট অসি নাটো অমসুং য়ু এসকী অতৈ মীচংশিংনা শীজিন্নরিবনি।

## 2nd MATHEMATICAL (WIZARD) COMPETITION 2019

ORGANISED BY: EDUCITY
Sagolband Tera Tongbram Leikai, Near Oriental College Imphal-795001

| | | |
|---|---|---|
| Submission Fee Rs. 300/-<br>Last Date of Submission: 16th July, 2019<br>Class I to X (classwise)<br>Sub : Mathematics (100 marks)<br>Date of Exam: 21st & 28th July, 2019 (Sunday)<br>Timing : 8:30 am to11:30 am, 12:30 pm to 3:30 pm | Class I to V on 21st July, 2019<br>Class VI to X on 28th July, 2019 | Class I, II, III, VI & VII 8:30–11:30 am<br>Class IV, V, VIII, IX & X 12:30–3:30 pm<br>in their respective dates |

Prizes
1st Position – Rs. 7,000/- x 10 + Certificate
2nd Position – Rs. 5,000/- x 10 + Certificate
3rd Position – Rs. 3,000/- x 10 + Certificate
4th to 10th position – Special Package

* Special Prizes
1. Best Student will be announced as "Mathematical Wizard of the Year" (which secured 100 marks) with a prize of Rs 3,000 and Mementos
2. Best School to the School of the Best Students (Rs. 3,000/- + Mementos)

* Forms available at all the leading book stores and schools of Manipur.
1. Siroi Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Chanura Photo - Kakwa Bazar 3. Heemabala Book Store- Canchipur 4. Universal Book Store - Lilong Bazar 5. K.B. Stationery - Wangjing Bazar 6. Mangal Stationery - Kakching Bazar 7. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 8. Echan Stationery - Wabagai Lamkhai 9. Baby Book Store - Mayang Imphal 9. M/S Computer - Thongkhong Luxmi Bazar, 10. New Book Store - Wangjal Bazar 11. M/S Rakesh Book Store - Wangoi Bazar 12. Sangai Book Store - Samurou Bazar 13. Lily Book Store - Oinam Bazar 14. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 15. Tama Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 16. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 17. Ibeyaima Gallery - Moirang Bazar 18. Leima Book Store - Nambol Bazar 19. C.I. Book Store - Nambol Bazar 20. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 21. Yai Bros - Yairipok Bazar 22. Habib Stationery - Yairipok Azad Galai 23. Hee Yai Enterprieses - Sangaiprou 24. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 25. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 26. L.K. BookStore - Lamlong Bazar 27. Compact Service - Khoyathong 28. Taurus Stationery RIMS gate 29. Grand Paper Mart - RIMS gate, 30. Shila Book Store, Thoubal Bazar 31. Amar Book Store - Khongabok Bazar 32. Eikhoigi Enterprises - Kwakeithel Bazar

HL-B/5513/27-6/26-7
Please Contact: 9612194500 / 6009103078

## MANIPUR UNIVERSITY
## CANCHIPUR: IMPHAL

ADMISSION TEST SCHEDULED
Dated, the 18th July, 2019

**Department of Life Sciences**

| | |
|---|---|
| Date of Entrance Test | 28-07-2019 (Sunday) |
| Time period of the Test | 12.30 p.m. to 01.30 p.m. |
| Venue | Social Sciences Building (New) |

1. List of eligible candidate may be seen in the Department Notice Board.
2. Eligible candidate may collect Admit Card between 24-07-2019 to 27-07-2019 at the Life Sciences Department.
3. Candidates who have not submitted their Graduate Degree Mark sheets or other related documents till date, should submit the same to the Office of the Department before 23rd July, 2019. Candidates without Admit Card will not be allowed to appear in the Test.

**Department of National Security Studies**

| | |
|---|---|
| Date of Entrance Test | 22nd July, 2019 (Monday) |
| Time | 1.00 p.m. to 2.00 p.m. (1 Hour) |
| Venue | History Department, School of Social Sciences, MU |
| Issue of Admit Card | 19th and 20th July, 2019 during office hours. |

Sd/- S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar/Aca

HL-B/5558/19

## এসিয়া-পেসিফিক্তা মেথমফেতামিন দোলর বিলিয়ন ৬১ ফাওবা লল্লোল্লে

বেঙ্কোক, জুলাই ১৮ (এজেন্সি):
সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা শাবা ময়াই কাবা দ্রগ মেথমফেতামিন ট্রান্সনেসনল ক্রাইম গ্রুপশিংনা নারোন্দা চাওনা লল্লোন-ইতিক চথুরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা দ্রগ অসি এসিয়া-পেসিফিক মার্কেটকী ভেল্যু দোল্লর বিলিয়ন ৩০.৩ অমসুং দোল্লর বিলিয়ন ৬১.৪ মরক্তা ওইগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৩ দা চাওরাক্লা দোল্লর বিলিয়ন ১৫ রোম ওইগনি হায়না পাখিবা মেথ ট্রেদকী ভোল্যুম লমদম অসিদা খঙচাও চাওরকখিবসি মতিক ময়াই লৈরবা সিন্দিকেটশিংনা লমদম অসিগী লৈবাক কয়াদা উবা ফংলিবা করপসনগী কা হেনবা চৎনবী, লোএনফোর্সমেন্টকী অশোনবা অমদি বোর্দর কন্ট্রোলদা লৈরিবা অশোনবশিংগী খুদোংচাবা লৌবদগীনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মখা তাখি।

সাউথ এসিয়াগী মফম কয়াদা ওফিসল ব্যুরোক্রেটিক সিষ্টেমশিংগী মনুং চন্না ফী পীবগী চৎনবী অমা ওইনা বোর্দরশিংদা ৱানোম শেল পীবগী চৎনবী লৈরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স ওফিস ওফ দ্রগস এন্দ ক্রাইম (য়ু এন ও দি সী)গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। হোং কোং, মাকাও, টাইৱান অমসুং থাইলেন্দদা বেজ তৌবা কর্টেলশিং অদুনা মেথ অয়াম্বা ম্যান্মারগী অৱাং থংবা শরুক্তা ইন্দষ্ট্রিএল-স্কেল লেবশিংদা শারগা থাপ্লবা মফমশিংদা থাদোক্লিবনি।